## থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট প্রোফাইল

অৰাং নোংপোক ভারতকী মণিপুর ষ্টেটকী ডিষ্ট্রিক্ট তরাতরুব (১৬)কী মনুংদা থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট অসি অমনি। ষ্টেট অসিদা অৰাংলোমদা কাংপোকপি অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট লৈ। কাংপোকপি অমশুং তেংনৌপল ডিষ্ট্রিক্টনা নোংপোকলোমদা লৈ খারোমদনা কাকচিং ডিষ্ট্রিক্ট অদুগা অৰাং-নোংচুপ্পতন ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট লৈ। থৌবাল টাওন অসিনা ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী হেড-ক্বাটরনি। ডিষ্ট্রিক্ট অসি মণিপুরগী নীং-খা তম্নবগী ব্রীটিশকী মায়োক্তা ইং ১৮৯১গী এপ্রিল থাদা থোংজোমদা শোক্লখিবা লান অদুগীদমক মমিং চৎলি।

## হিস্তোরী

হান্নগী মণিপুর সেন্ত্রেল ডিষ্ট্রিক্ট হায়না থংনরম্বা অদুদগী থৌবাল সব-ডিভিজনগী মথৌ ১৯৮৩ইং মে থাদগী ডিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা শেমখি। অদুগী মতুংদা ডিষ্ট্রিক্ট অসি সব-ডিভিজন অনী হায়বদি ককচিং অমসুং থৌবাল হায়না খাইদোকখি। অমুক্কা ডিষ্ট্রিক্ট অসিদগী ককচিং সব-ডিভিজন লৌথোকখ্রগা ২০১৭ইংদা অনৌবা ডিষ্ট্রিক্ট অমা ওইনা শেমখি। হৌজিক থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টতা লিলোং অমসুং থৌবাল হায়না সব-ডিভিজন অনী (২) লৈ।

## জিওগ্রাফি

মণিপুর ভেল্লিগী নোংপোক থংবদা অয়াম্বা শরুক্তা ডিষ্ট্রিক্ট অসি চাং নাইদবা ত্রাইএঙ্গল মাল্লগা মসিগী বেস না অৰাংলোমদা ওল্লি। ডিষ্ট্রিক্ট অসি নোৰ্থ লেটিচুদকী 24°30'24.688" অমশুং 24°43'16.689" গী মরক্ত লৈ। অদুগা ইষ্ট লেটিচুদ না 93°53'17.016" অমশুং "93°53'18.118" কী মরক্ত ওই। ডিষ্ট্রিক্ট অসি সমুদ্রাগী লৈমাইদগী চাওরাক্কা ৭৯০মিঃ ৱাংনা লৈ। ডিষ্ট্রিক্ট অসিদা লোকচপ মচা-মচা খরগা লোয়নবা য়াম্না ৱাংদবা চীং খরসু লৈ। ময়ামসিগী মরক্ত পনবা য়াবদি ফুনাল চীংনি। মসি সমুদ্রাগী ইমায়দগী চাওরাক্কা ১০০৯ মিঃ ৱাংই।

## পাৎ অমশুং তুরেল

ইম্ফাল অমশুং থৌবাল তুরেল অসিনা থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট ফাওদুনা চেনবা য়াম্না মরুওইব তুরেলনি। থৌবাল তুরেল অসি উখ্রুলগী চীংশাংদগী হৌরকপা য়াম্না মরওইনা ইম্ফাল তুরেলগী মশানি। মসিনা য়াইরিপোক, থৌবালনাচংবা ফাওরগা ময়াং-ইম্ফাল মনাক্কী ইরোংদা ইম্ফাল তুরেলদা শম্নখি। ইম্ফাল তুরেল অসিনা সেনাপাটি ডিষ্ট্রিক্টতগী হৌরকই অদুগা খারোমদা চেন্থরক্লগা তুরেল অসিনা থৌবালগী অৰাং অমশুং নোংচুপ থংবা শরুক্কী বাউন্দ্রি ওই। পনবা য়াবা তুরেল মচা-মচা খরাদি ৱাংজিং, অরোং অমদি নোংপোক সেকমাই তুরেলনি। তুরেলশিং অসিসু উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্টকী চিংশাংসিং অসিদগী হৌরকই। অরোং তুরেল অসি চরাংপাৎ অমদি খাঙবোক ফাওরগা খরুংপাৎত তাখি অদুগা ৱাংজিং তুরেলনা তেন্থা ফাওরগা লৌসি পাৎতা তাখি।

## ঈশিং-নুংশিৎকী ফিভম

ঈশিং-নুংশিৎকী ফিভম অোসি ময়াই ওইরপ্না ফৈ

অদুগা নোং তাবগী চাংসু মরাং কাইনা অমদি পাক শন্না তাই। নোংজু থাসি জুনগী থাদগী হৌরগা সেপ্তেম্বর থা ফাওবা তাই। মরক-মরক্ত নোং তাবদি ওক্তোবর থা ফাওবা চংথৈ। নীংথম থাসি ডিসেম্বর থাদগী হৌরগা ফেব্রুঅরি থা ফাওবা ওই। নীংথম থাদশু য়াম্না পানা-পানা নর্থ ইস্ট মনসুন না মরম ওইরগা তাই। নীংথম থাদা চাংচৎতা 4-6$^0$C ফাওবা ইংই। মরক-মরক্ত 0$^0$Cকী মখাদা ইংবসু য়াওই। এপ্রিল অমশুং মে থা ফাওবনা কালেনগী মতম ওই। চাংচৎতা 32$^0$C-35$^0$C ফাওবা শাই। য়াম্না তাংনা 37$^0$C ফাওবা শাবসু য়াওই। মরক-মরক্ত অথাক-অরাওগা লোয়ননা নোং চুবসু য়াওই।

**শেল-থুমগী ফিভম**

লৌউ-শিংউবনা ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী মরুওইব শিনফম ওই। ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীওই 70%গী মথক্ত লৌউ-শিংউবগী থবক্ত হকথেংননা নত্রগা নকোইননা শরুব য়াই। ডিষ্ট্রিক্ট অসি মহৌশাগী ওইনা লৈবাক লৈহাও ফৈ। মহৌশা অমশুং থুৎশেমগী মতেংনা ঈশিংগী অৱাবা লৈতে। ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী লম 90%দি ফৌ থাই। ইম্ফাল বেরেজকী মতেংদগী লৌরোক অনীরক পাক-শন্না উনৈ।

মফম খরদদি অনিরক ফাওবা হোৎনৈ। অহান্বা লৌউবগী থাসি ফেব্রুৱারি দগী মার্চ ফাওবা ওই। অনীরক শুব লৌউবনা জুলাই অমশুং অগাস্ট ফাওবদা হোৎনৈ। অদুগা অহুমশুবা লৌরোক্কা নভেম্বর থাদা মনা-মশিং হৱাইনচিংবা থানৈ। চু, চুজাক, অলু, মোরোক, হৱাইনচিংবা মরুওইব পোৎথোকনি। ডিষ্ট্রিক্ট অসি চু মরাং কাইনা থাই। মরুওইন ৱাংজিং, হৈরোক অমশুং থোংজোমদা থানৈ। থাও হঙ্গাম ডিষ্ট্রিক্ট মশা পুম্বদা থাই। নুমীৎলৈসু পুথোকপা হৌনরে।মনা-মশিংদা কোবী, কোবীলৈ, হৱাই মথল কয়া, থোংদ্রুম, মাইরেলনচিংবা পাক-শন্না থাই। শেন্থোক লৈবা পোৎথোক ওইনা কিহোম অসি চীংয়া-তময়াদা পাক-শন্না থাই। মরুওইন ৱাইথৌ অমশুং শারম চীং অসি কিহোম য়াম্না থাই।

অতোপ্পা ইনকম মরাং কাইনা লাক্লবা সেক্টর দি শা -ঙা নি। মরুওইব পোৎথোকশিংদি ষন, ইরোই, হমেং, ওক, হুইনচিংবা লোইবানি। ডিষ্ট্রিক্টসিদা শঙ্গোমগী পোৎথোকসু পন্বা য়াবা মওংদা চাওথৎলক্লি। মরুওইন অফবা শঙ্গোম য়াম্না থোকপা ষনশিং য়োক্তুনা শঙ্গোম য়াম্না পুথোকপগা লোয়ননা মশানা মশাবু থবক পীজনবা য়েন অমশুং ওক লোইবগী থবক তৌনৈ। ডিষ্ট্রিক্ট অসিদা কৌনাগী পোৎথোক পুথোকপা হায়বদি ফক, মোরা, চৌক্রী, থুৎকী থাও মচা, মোনপাক অমশুং অতোপ্পা মথল-মথা কয়া পুথোক্তুনা খুত -সা হৈবগীদমক থাঙবোক অসি মমিং চৎলি।

ঙা য়োকপসু ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী শেল-থুমদা য়াম্না চাওনা মতেং পাংই। ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীওই কয়ামরুমদ ঙা য়োকপনা শিনফম ওই। ঙা য়োকপগী থবক অসি তেন্থা, লৈশাংথেম, ৱাইথৌ, থাঙবোক অমদি ইরোংনচিংবা অসি ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী মরুওইব মফাম্নি।

**ডিমোগ্রাফি**

থৌবাল ডিস্ট্রিক অসিগী পাক চাওবা অসি ৩২৪ ইসকৱার কিলোমিটর নি। ২০১১ গী সেলসশ রিপোর্টকী থৌবাল ডিস্ট্রিক্কী অপুনবা মীশিং অসি ২৮৬৬৮৭ নি। অদুগা মসিদা থুন্দারিবা মীশিংগী চাংনা ইসকৱার কিলোমিটর অমাদা ৮২১ নি। ২০০১ দগী ২০১১ ফাওবদা মীশিং হেংগৎলকপগী চাং অসি ১০০ দী ১৫.৪৮নি । নুপা - নুপী মশিংগী চাংনা নুপা ১০০ খুদিংগী নুপীনা ১০০২ নি ।

**লম্বী**

থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট ফাওদুনা এশিয়ান হাইৱে এঅইচ-1 লৈবনা ডিষ্ট্রিক্টকী মফম অয়াম্বা অফবা লম্বীনা শন্নে। মরুওইন তাউন অয়াম্বা এঅইচ-1 গা শন্নে।

**মাহৈ মাসিং**

থৌবাল অমসুং লিলোং অসি ডিস্ট্রিক অসিগী মহৈ মশিং তমফগী মরুওইব মফমশিংনি ।

থৌবাল কোলেজ, ৱাই কে কোলেজ অমসুং লিলোং হাওরৈবী কোলেজ অসি মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা ডিস্ট্রিক্ক কোলেজশিংনি। ডিস্ট্রিক হোসপিটাল থৌবালগী মনুংদা নৌনা হাংদোকপা নার্শিং ইস্টিটিউ অমসু লৈরে।থৌবাল ডিস্ট্রিকতা লৌরিবা প্রাইবেট কোলেজ অমসুং হায়ার সেকেন্দারিশি অসিগী মথকতা তোঙান তোঙানবা হাইস্কুল অমসুং ইলিমেন্টারি ইস্কুলশিংস্ জোনেল ইডুকেসন ওফিস থৌবাল অমসুং ডিপুটি ইস্পেকতর ওফ ইস্কুল লিলোংগী মখাদা লৈ ।

**অনালায়েংশঙশিং**

থৌবাল ডিস্ট্রিকতা লৈবা অনা লাইয়েশং শিং

১. থৌবাল ডিস্ট্রিক হোসপিটাল খঙাবোক

২. থৌবাল ডিস্ট্রিক লেপ্রোসি ক্লিনিক

**সানাবুং**

থৌবাল ডিস্ট্রিকতা লৈবা মরুওইব শনাবুংশিং

১. কোদোমপোকপী ফুটবোল ইস্টাডিয়ম, ৱাংজিং

২. থৌবাল ডিস্ট্রিক টেবল টেনিস ইন্দোর ইস্টাডিয়ম থৌবাল

৩. থৌবাল নিংঙোম্বম ইস্পোর্ট গ্রউন্দ

৪. ৱাংখেম ইস্পোর্ট গ্রউন্দ, ৱাংখেম